# হুইয়েন লানপাউ

Vol. 40, Issue No.144 | লৈবাকপোকপা, থৱান ২১নি পানবা | অপুনবা লমায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Tuesday, August 23, 2016, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50




মণিপুর লৈঙাক্কী লৌউ-শিংউ লোয়শঙগী ওইজবা ৱেবসাইট অমা এগ্রীকল্চর মিনিষ্টর এম দি অব্দুল নাসিরনা শঙ্গেন্থোংগী এগ্রীকল্চর ওফিসতা হাংদোকপা



ওল মণিপুর রিট্টন টেষ্ট সক্সেসফুল কেন্দিদেট ওফ পুলিস কন্সটেবল (মেল), ২০১৩না লৈঙাক্কী ৱারেপ য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ককচীং লমখায়দা টয়ার মৈ থাদুনা প্রোটেষ্ট তৌবা



মণিপুর প্রেস ক্লব, ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা শৈহেক শৈরেং শৈপাল শেমগৎ লূপ (শৈপাল) ইম্ফালনা শীনবা লূপ অসিগী ১০শুবা মপোক কুমওন থৌরমগী শক্তম



মণিপুর পুলিসকী কন্সটেবল (মেল) লীশিং ২ লৌবগী দি পি সী ককখিবগী থৌওং য়ানিংদে, খোঙজং চঙশিনগনি হায়না কেন্দিদেটশিংনা পাউমী-শিংদা ফোঙদোকপা

## অ ঈং-অশাগী পাউ

| দিষ্ট্রিক্ট | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ৩০.২৮০c | ২১.৭৮০c |
| চান্দেল | ৩৪.২৩০c | ২৯.৪৬০c |
| সীসীপুর | ৩০.৫৩০c | ২০.৪৬০c |
| ইম্ফাল | ৩০.৪০০c | ২২.২৬০c |
| সেনাপতি | ২৯.৪৪০c | ১৬.৮৬০c |
| তমেংলোং | ৩৩.১৩০c | ১৮.৭৭০c |
| থৌবাল | ৩০.২৪০c | ২০.৭৬০c |
| উখ্রুল | ২৬.২২০c | ১৬.২০০c |
| মণিপুর | ৩৪.২৩০c | ১৬.২০০c |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১.৮৬ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৫০
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৪৮
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, জি ও এম

## ‘ষ্ট্রাইক তৌবীগনু’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২২ : রিমসকী এসিষ্টেন্ট নর্সিং সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রমোসন পীবগী মতাংদা রিমস নর্স এসোসিএসননা সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক চঙশিনগনি হায়না তৌরিবা অদু অনাবশিংগী অমদি মীয়ামগী য়েংলগা চথবিগনু হায়না রিমসকী দিরেক্টর প্রো. সী ঐচ অরুনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। কে এস ঐচ বিনোকুমারী দেবীবু রিমসকী এসিষ্টেন্ট নর্সিং সুপরিন্টেন্দেন্ট ওইনা প্রমোসন পীবগী মায়োক্তা রিমস নর্স এসোসিএসননা মখল অমত্তগী খোঙজংশিং চথবিগনু। এসোসিএসন্না পীখৎলকপা দিমান্দশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনরে। বিনোকুমারীবু এসিষ্টেন্ট নর্সিং সুপরিন্টেন্দেন্ট ওইনা খনখিবা অসি দি পি সীনা রিকমেন্দ তৌদুনা খনখিবনি। কোর্টতসু কেস অমা হীরমসিগী মতাংদা ফাইল তৌবা লৈখ্রে। অদুবু হায় কোর্টকী সিঙ্গল বেঞ্চকী দিরেক্টিব মতুং ইন্না বিনোকুমারীবু এসিষ্টেন্ট নর্সিং সুপরিন্টেন্দেন্ট ওইনা প্রমোসন পীবগী ওর্দরসু থোকখিবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ভী পি খনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২২ : চহী অসিগী জুলাই ৩০দা থোকখিবা ওর্দর অদু মখা শমথদুনা থবক্তগী পোথারবা আই এ এস ওফিসর এ আর খানবু বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা নোমিনেট তৌরে হায়না পার্টি অসিগী মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট কে ভবানন্দনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## গ্যাসকী পাউ

### লামায় ৩দা ফংবিগনি

*এজেন্সীশিংনা গ্যাসকী পাউ ফোন নম্বর ৯৭৭৪৮০৩৩১০দা পীবিরকউ।*

## HL POLL

**Q :** Matam kaktaba economic blockadena DPC kakpagi order handokhanba ngamgani haiba thajabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐


Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

**Q :** Police constable 2000 loubagi DPC leingakna kakkhibasi achumba khongthang oini loubra?

Yes 15% No 85%

## অস! লোইরেহে!




# লৈঙাক্কী বিল পিপলস কনভেন্সন্না য়াখিদ্রে

## দ্রাফট বিল য়েলহৌমী কন্নবা নত্তে, ময়াংশিংগী শাফনবনি : বি কে মোইরাংচা



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২২ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীফমদা পুথোক্লবগী মীৎয়েংদা লৈঙাক্লা মীয়ামগী অপাম-পামদা মোত লৌনবা লৈঙাক্কী ৱেবসাইটতা থাগৎলকখিবা *দ মণিপুর রেগ্যুলেসন ওফ নন-লোকল পিপলস বিল*, ২০১৬ঙসি ফমখিবা পিপলস কনভেন্সননা য়াখিদ্রে।

জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম (জে সী আই এল পি এস)না শীন্দুনা ঙসি মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন (এম দি য়ু)গী হোলদা পাঙথোকখিবা পিপলস কনভেনসন অদু মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ইকনমিক্স দিপার্টমেন্টকী প্রো. সী ঐচ প্রিয়োরঞ্জননা ৱাতেন্লোই অমসুং জে সী আই এল পি এসকী কনভিনর ইন-চার্জ বি কে মোইরাংচানা থৌরম মপু ওইখি।

লমদমসিগী সিনিয়র এদভোকেটশিং, একাদমিসিয়নশিং, লূপ কয়াগী থৌপুবশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ মঙা লৌখি।

ৱারেপ মঙা অদুদি অহানবদা, অনৌবা দ্রাফট রেগ্যুলেসন, ২০১৬ তা রিভাইস তৌবা বেজ ইয়র ১৯৭২ ওইরিবসি মীশিংগী মতাং, নেসনল আইদেন্টিটি অমসুং কেরেক্টর লোয়ননা সোসল, ইকনোমিক্কী মতাংদা ওন্থাং-ওনশিন তৌই অমসুং মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংনা য়ানিংঙাই ওইদে। কুমজা ১৯৪৯ দা মণিপুরনা ইন্দিয়ন য়ুনিয়নদা তিনখিবা মতুং কুমজা ১৯৫০ গী নভেম্বর ১৮ দা মতমদুগী মণিপুরগী চীফ কম্মিস্নর হিম্মট সিংহনা মণিপুরদা চঙবা অমসুং থোকপগী পার্মিট সিষ্টেম মুথৎখিবদগী মণিপুরদা মপান্দগী চঙলকখিবা (নন-ইন্দিজিনস পোপ্যুলেসন) মীগী মশিং য়াম্লকখি।

মীয়ামগী কনভেন্সন অদুনা শকখঙলবা সেদ্যুল্ড ত্রাইবশিং, মীতৈ/মৈতৈ পাঙল অমসুং মীতৈ/মৈতৈবু মণিপুরগী মীয়ামশিং ওইনা ঈকায় খুম্নখি। অমরোমদা, মণিপুর গভর্ণমেন্টনা প্রপোজ তৌরিবা বিল অদুদদি মথক্তা পল্লিবা ফুরুপশিং অসি মণিপুর ষ্টেটতা লৈবা ফুরুপশিং ওইনা পন্দে।

অনীশুববদা, মীয়ামগী কনভেন্সননা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী নৌনা প্রপোজ তৌরিবা ‘দ মণিপুর রেগ্যুলেসন ওফ নন-লোকেল পিপলস এক্ট, ২০১৬’ হায়রিবা টাইটল অসিবুসু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

অহুমশুবদা, লোকল পিপল হায়রিবা ৱাহৈসিমক্তা নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা লৈখিবা মণিপুর নেসনগী নেসনেল কেরেক্টর অমসুং আইদেন্টিটিবু মরু ওইদনা উহল্লি।

মরিশুবদা, মণিপুরগী য়েলহৌমী পুন্ন মকপু তানদুনা অমসুং শরুক য়াহন্দুনা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মণিপুরগী নত্তবা মীশিং (নন-মণিপুর পিপল) বু রেগ্যুলেট তৌনবা চৎনবা য়াগদবা বিল অমা পুথোক্কদবনি।

মঙাশুবদা, ঙসিগী মীয়ামগী কনভেন্সননা হান্নগী জে সী আই এল পি এসকী কনভিনর খোমদ্রাম রতনবু ৱান্টেদ লাউথোকখিবা অমসুং মরম থীদনা তৌনিংবতা তৌবা মওংদা ফাজিনখিবগী থৌওংবু কন্দেম তৌখি অমসুং মহাকপু থাদোক্লবা তকশিনখি।

মীয়ামগী কনভেন্সনগী রিকম্মেন্দেসনবু থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনবদা জে সী আই এল পি এসদা মপুং ফাবা কো-ওপরেসন পীনবসু লেপ্পখি হায়রি।

পিপলস কনভেন্সন অদুগী ৱাতেন্লোই ওইখিবা প্রো. সী ঐচ প্রিয়োরঞ্জননা হায়খি, মীয়ামগীদমক তৌগে হায়না চোংথোরক্লিবা পোলিটিকেল পার্টিগী লূচিংবশিংনা য়েলহৌমী কন্নবগী থবক্তা পার্টিগী ওইবা ফিরেপ মীয়ামদা খঙহনগদবনি। মীতোপ-মীয়ানচা চঙশিল্লক্তুনা খুন্দাশল্লকপা অমসুং মখোয়না লম লৈবা য়াদনবা থবক পায়খৎপা চুমই।

থৌরম অদুবু প্রিসাইদ তৌখিবা জে সী আই এল পি এসকী কনভিনর ইন-চার্জ বি কে মোইরাংচানা হায়খি, লৈঙাক্লা পুথোক্লিবা দ্রাফট বিল অসি য়েলহৌমী কন্নবা নত্তে, ময়াংশিংগী শাফনবনি। মণিপুর লৈঙাক্লা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## ট্রাইবেল য়ুনিটি দেগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরি

# ‘ট্রাইবেলগী চৎনবীদা লৈরোন চন্দ্রবদি থবক অমত্তা পায়খৎনদে’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২২ (ঐচ এন এস) : য়েলহৌবী কন্নবা বিল অহুম পাস তৌখিবা থৌদোক্তা মরী লৈনবা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরসতা থোকখিবা থৌদোকশিংদা ট্রাইবেল মীচম মাপন মার্টর ওইখিবা থৌদোক চহী ১ ফারকপা ওগষ্ট ৩১দা ট্রাইবেল য়ুনিটি দে হায়না থৌরম পাঙথোক্কদৌরি।

জোইন্ট এক্সন কম্মিটি এগেনষ্ট এন্তি ট্রাইবেল বিলগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি দিপার্টমেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থৌরম অসিগী মাঙওইননা থা অসিগী ২৬তগী জে এ সীনা শীন্দুনা চয়োল অমা চুপ্পা পব্লিক মিটিং, মৈরা রেল্লি, ট্রেদিসনেল গন সেল্যুট অমদি মখল কয়াগী প্রোটেষ্টশিং হৌজিক চথরিবা ট্রাইবেল মুভমেন্টকী ইপিসেন্টর ওইরিবা লমকাদা পাঙথোক্কনি।

অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ট্রাইবেল য়ুনিটি দে অসিগীদমক ট্রাইবেলশিংনা খুন্দাবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ট্রাইবেল য়ুনিটিগা মরী লৈনবা বেনরনচিংবশিং থেৎপদা তেংবাঙবীয়ু। ট্রাইবেল মুভমেন্টবু শৌগৎপীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, চীংগী লমদা শোকহনগদবা মখল অমত্তগী বিল ষ্টেটসিগী ট্রাইবেল মীয়াম্না য়াবা ঙম্লোই হায়না মণিপুর ট্রাইবেল ফোরম দিল্লিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুর লৈঙাক্লা লাক্কদৌরিবা এসেমব্লি সেসনদা মণিপুর রেগ্যুলেসন ওফ নন-লোকল বিল কৌবা অনৌবা বিল অমা পুথোক্লবা থৌরাং তৌরি। লৈঙাক্কী থবক অসিদা থাজবা থমদে। এন্তি ট্রাইবেল বিল অহুম পুথোকপদা য়ারক্ত্রবা মতুংদা অনৌবা বিল অমা অমুক শেন্নকপনি। ট্রাইবেল মার্টর মাপন এন্তি ট্রাইবেল বিলগী পোটেষ্টতা লৈখিদে। মীওইশিং অদু হৌজিক মোর্গতা লৈরি। ট্রাইবেলশিংগী চৎনবী অমা ওইনা অশিবা হকচাংশিং লৈরোন চন্দ্রিফাওবা মোর্ন তৌবা ওইনা থবক অমত্তা পায়খৎতে। চীংগী লমশিংদা শোকহনগদবা মখল অমত্তগী বিলশিং য়াবা ঙম্লোই।

এন্তি ট্রাইবেল বিলগী জে এ সী অমদি ট্রাইবেল বোদি কয়ানা মখোয়গী দিমান্দশিং পীশিনবগা লোয়ননা ট্রাইবল মার্টরশিং অসিগী মথৌ মঙম পাঙথোক্লবা খঙহনবা লৈখ্রে। অদুবু লৈঙাক্লা হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি ফাওবা মীৎয়েং চঙবীদে। মোর্গতা হৌজিক লৈরিবা ট্রাইবেল মার্টরশিং অসি ঙসি ফাওবদা চীফ মিনিষ্টর য়াওনা মিনিষ্টর অমত্তনা লাক্তুনা ঈকায় খুম্নবীবা লৈতে।

মণিপুর লৈঙাক্লা ট্রাইবেল মার্টরশিং অসিগীদমক পায়খৎফম থোকপা থবক পায়খৎকদবনি। চীংগী মীয়ামগী প্রোটেক্সন পীগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# বটালিয়নদা থাউ হুরানবগী ৱাথোক কোর্ট য়ৌরে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২২ (ঐচ এন এস) : আই আর বি মনুংদা অচৌ-অশাংশিংনা শাশিন্নবা চে-চাং শীজিন্নরগা থাউ হুরানবগী ৱাথোক মণিপুর হায় কোর্ট য়ৌরক্তুনা অচৌবা ৱাথোক ওইরে।

ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা য়াইস্কুল জন্মস্থানদগী থৌনাওজম ব্রিন্দা (এম পি এস)না মহাক্কী মিং শীজিন্নরগা পার্সনেল খরনা পেট্রোল লিটর ৬১৫ লৌথোকপীখ্রে হায়না মহাক মশানা পিটিসনর ওইদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীবিনবা ৱাকৎখ্রে।

থবক্তগী পোথাজরগে হায়না চেরোল পীশিনখ্রবা এম পি এস ওফিসর থৌনাওজম ব্রিন্দানা পিটিসনর ওইরগা ৱাকৎলকখিবা অদুদা রেস্পোন্দেন্ট ওইনা হাপ্লিবশিং অদুদি মণিপুর লৈঙাক্কী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (হোম), দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস, ৯শুবা ইন্দিয়ন রিজার্ব (মহিলা) বটালিয়ন, মণিপুরগী কম্মান্দেন্ট অমসুং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জ য়াওরি।

রিট পিটিসন অসি থা অসিগী ১৮দা ব্রিন্দানা মহাক্কী কাউন্সেল এল সৈত্যন্দ্রগী খুথাংদা হায় কোর্টতা থাখি। কোর্ট অসিনসু ৱাফম অসি খন্ননবা মতম লেপখ্রে।

মহাক্কী পিটিসন অসিনা হায়, মহাক কুমজা ২০১৪গী জুন ৯দা ৯শুবা ইন্দিয়ন রিজার্ব (মহিলা) বটালিয়নদা দি ৱাই এস পি ওইনা পোষ্টিং তাখি। মহাক্লা মফম অসিদা মথৌ তৌরিঙৈদা ট্রেভেলিং এলারেন্স অমসুং তোলোব ফংই। কুমজা ২০১৫গী মে থাদগী চহী অসিমক্কী সেপ্টেম্বর থা ফাওবগী মতম অসিদা মহাক্লা ওফিস কাবা অমদি কুম্বদা মশাগী লৈজবা কারনা চথোক-চৎশিন তৌই।

অৱাংবা থাক্কী ওফিসলশিংদগী তারকপা মতুং ইন্না হায়রিবা মতম অসিগী... মখা লামায় ৩ কলম ২

# চিনি পুরকপা ট্রক অমা কৈথেলমানবীদা মৈ থাখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২২ (ঐচ এন এস) : সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা নেসনল হায়ৱে-২গী কাংপোকপী পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা কৈথেলমানবী ময়াদা ওল মণিপুর রিট্টন টেষ্ট সক্সেসফুল কেন্দিদেট ওফ পুলিস কন্সটেবল (মেল), ২০১৩গী ইকনমিক ব্লোকেদ মনুংদা চিনি পুরকপা ট্রক অমা মৈ থাখ্রে।

মৈ চাকখ্রবা ট্রক (এ এস ২৩ এ সী-০৯২১) অদু গৌতম কৌবা দ্রাইভর অমনা থৌরকপনি। মফম অদুদা গাড়ী মৈ থারে হায়বা পাউ ফংবদগী কাংপোকপী পুলিস টিম অমা চঙশিনখি। অদুবু গাড়ী অদুগী অয়াম্বা শরুক মৈনা চাক্তুনা লৈরম্বদগী মপুং ফানা কনবা ঙমখিদ্রে হায়রি।



মরক অসিদা, লৈঙাক্নদি ককখ্রবা, দি পি সীদা মায় পাকখিবা কাঙবুনা লৈঙাক্কী থৌশীল অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি মফম কয়ামরুমদা লম্বী থিংখি। ককচীং লমখায়, কৈরাও, লম্লাই অমদি নেসনল হায়ৱেশিংদা জেনরেল ষ্ট্রাইক চথখি। জেনরেল ষ্ট্রাইক অদুনা মরম ওইদুনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম থোকহনখি। ককচীং লমখায়দা পুলিসনা জেনরেল ষ্ট্রাইক চথবা কাঙবু ফুবদা মীওই মঙারোম অশোক-অপন নংখি হায়রি।

ককচীং বজার বিজিনেস ৱেলফেয়র এসোসিএসন, ককচীংগী প্রসিদেন্ট এম নবকিশ্বরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর পুম্বা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌরে নৎত্রগা তৌগনি হায়না ফোঙদোক্লগা ককচীং কৈথেল খক্তদা বন্দ, ... মখা লামায় ৩ কলম ৪

# কন্সটেবল লৌবগী ৱাথোক সী বি আইদা থিগৎহনসি : এম পি পি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২২ (ঐচ এন এস) : কুমজা ২০১৩দা মণিপুর পুলিস কন্সটেবল (মেল) লৌবগী ভাইভা ভোসি লোইখ্রবা মতুংদা ককথৎখিবা অসি য়ানিংদে। হীরমসিগী মতাংদা সী বি আইদা থিগৎহনগদবনি হায়না মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি)গী প্রসিদেন্ট এন সোভাকিরণনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

এম পি পি ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা এন সোভাকিরণনা হায়খি, মণিপুর পুলিস কন্সটেবল (মেল) লৌনবগীদমক কুমজা ২০১৩দা রিটন টেষ্ট অমদি ভাইভা ভোসি লোইখ্রবা কেন্দিদেটশিংবু থবক পীবগী মহুত্তা ককথৎলকখিবা থৌওং অসি এম পি পিনা লুম্না লৌই। হীরম অসিগী মতাংদা পি আই এল অমসু থারগনি। নুপা কন্সটেবল লীশিং ২ লৌগনি হায়না থৌরাং পায়খৎখি। মীওই ১০,২৭৭ শরুক য়াখি। নুমিৎ খরনিগী মনুংদা হীরম অসিগী মতাংদা মেমোরেন্দম অমসু লৈঙাক্তা পীশিল্লগনি। লিগেলগী ওইবা থবকসু পায়খৎলগনি। মখা লামায় ৩ কলম ২

# ইন্দিয়াগী মায়োক্তা থবক তৌবশিং ম্যান্মারদা চঙজফম পীরোই : প্রসিদেন্ট য়ু টিন চো

নেপিয়িদো, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সী) : ইন্দিয়াগী মায়োক্তা থবক তৌবশিং ম্যান্মারগী লমখৈ মনুংদা চঙজফম পীরোই হায়না ম্যান্মারগী য়ু টিন চোনা লৈবাক অদুদা লৈরিবী ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফ্যেয়র্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজদা থাজবা পীখ্রে।

ম্যান্মার অমসুং ইন্দিয়া অনীগী মরক্তা হেন্না চেৎপা মরী শাগৎনবা পান্দমদা লৈবাক অদুদা থুংলখিবী ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফ্যেয়র্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনসু চহী ৫০ হেন্না মিলিটরিনা লৈঙাক লৈরুরবা তুংদা লিংখিবা ম্যান্মার লৈঙাক্তা পাংবা য়াবা মতেং খুদিংমক পাংগনি হায়না থাজবা পীখি।

নেপিয়িদোদা অহানবা সিবিলিয়ন গভর্ণমেন্টনা ওফিস পায়বা হৌখিবদগী ইন্দিয়াদগী চৎখিবা অহানবা অৱাংবা থাক্কী খোঙচৎতা এক্সটর্নেল এফ্যেয়র্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা প্রসিদেন্ট য়ু টি চোগা উনখি অমসুং ষ্টেট কাউন্সেলর অমদি ফোরেন মিনিষ্টর ওং সান সু চিগা তাংদাংবা লালহৌবা গ্রুপ খরনা বোর্দর লানশিল্লক্তুনা ইন্দিয়াগী লৈঙাক মনুংদা খুদোংচাদবা থোকহল্লিবা ইস্যুশিংগী মতাংদা ৱারী শানখি।

ইন্দিয়াবু মরুপ-মপাং ওইবা লৈবাক অমনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা ম্যান্মারগী প্রসিদেন্টনা সুস্মা স্বরাজদা হায়খি, মহাক্লা ইন্দিয়াগা লৈবাক অনীগী ওইনা য়াম্না কান্ননিংঙাই ওইবা পার্টনরশিপ অমা লিংবা পামই। ইন্দিয়াবু মরুপ-মপাং ওইনা অমসুং ম্যান্মারগী মীয়ামগীদমক মতম পুম্বদা লেপ্পুনা লৈবাক অমা ওইনা শকখঙই। ম্যান্মারনা ঈং-তপ্পা, চাউখৎপগী লম্বীদা খুমাঙ চাউশিন্না চঙশিনবগা লোয়ননা... মখা লামায় ৩ কলম ৬

# জীরিবাম দিষ্ট্রিক্ট শেম্বগী দিমান্দদা সেপ্টেম্বর ১দগী খোঙজং হৌদৌরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২২ (ঐচ এন এস) : জীরিবামবু মপুং ফাবা রেভিন্যু দিষ্ট্রিক্ট অমা থা অসিগী মনুংদা শেম্লে হায়না লাউথোক্ত্রগদি লেপ্পুনা লৈরকখিবা মীয়ামগী অকনবা খোঙজং মথং থাগী ১দগী হৌগনি হায়না জীরিবাম দিষ্ট্রিক্ট দিমান্দ কম্মিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মীয়ামগী দিমান্দ অসি লৈঙাক্লা ঙসি ফাওবা তাশিন-উশিন্নদনা লৈথোক্লি। মসিদা কৈদৌঙৈদসু অফবা মহয় ফংলোই। লৈঙাক্কী থৌওং অসিনা জীরিবামদা খুন্দারিবা মীয়ামগী থম্মোয় শোকহল্লি। লৈঙাক্কী থৈদোক-থৈজিন তৌদুনা নিংঙাই থেম্নবা থৌওং অঙকপা পোকই হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, দিমান্দ কম্মিটিনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা পীবা অমসুং লন-থুম মাঙ-তাকহনবা পামদবনা ঙসি ফাওবা লৈঙাক্লা তৌরকপা আপিল তাদুনা নন-ভাইওলেন্স ওইবা মওংদা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখিবনি। অদুবু চথরক্লিবা লৈঙাক্কী থৌওং অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লিবদি ঈ-নাই তানবগী থৌওং চথবা য়াওদ্রগদি খন্নরোই হায়বনি।

# অথৌবশিংগী খুদুং ইন্দুনা অহোংবা পুরক্লবা হোৎনমিন্নসি : ভী কে সিংহ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২২ (ঐচ এন এস) : লৈবাক্কী কথোকখ্রবা অথৌবশিং অদুনা তৌরম্বা থবকশিং অদুবু নীংশিংবগা লোয়ননা লমদমসিগী অফবা অহোংবা পুরক্লবা ঐখোয় পুম্ন মক্লা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নসি হায়না মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট, এক্সটর্নেল এফ্যেয়র্স ভী কে সিংহনা ঙসি মোইরাংদা লৈবা আই এন এগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা য়াদ করো কুর্বানিগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পি মণিপুর প্রদেশ অমদি বি জে পি মোইরাং মন্দলনা খুৎশম্নদুনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ভী কে সিংহনা হায়খি, মণিপুর আর্ট এন্দ কলচরগী লমদা শীংথানবা লমদম অমা ওইবতা নত্তনা পুৱারীগী য়াম্না মরুওইবা মফম অমসু ওইরি। ফ্রীদম ফাইটর সুভাশচন্দ্র বোসনা মোইরাংদা লৈবাক অসিগী মচু অহুমগী ফিরাল য়ুংলমখি। মসি পুৱারীগী ওইনা য়াম্না মরুওইবা অমনি।

পোলো মশান্নসু লমদমসিদগী হৌখিবগী ৱারী লৈরি। মসিদা নত্তনা হীরম কয়াদা শীংথানিংঙাই ওইবা কয়া অমসু ষ্টেট অসিদা লৈ। অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মতমদা মণিপুরদা লান শোক্লখিবসু লৈ। অথৌবশিংনা তৌরম্বা থবকশিং নীংশিংবা অমদি ঐখোয় পুম্নমক্লা অমত্তা ওইনা পুন্দুনা লমদমসিগী অফবা অহোংবা পুরক্লবা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে।

বৃটিশকী মায়োক্তা থৌনা ফরবা কয়ানা লান্থেংনখিবা নীংশিংবা তাই। লমদম অসিদসু শীংথানিংঙাই ওইরবা ফ্রীদম ফাইটর কয়া অমা লৈরি। মণিপুরদা ট্রেনসু য়ৌরক্কদৌরে। সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিং ফাওদুনা চৎখিগদবা এসিয়ন হায়ৱেসু মণিপুর ফাওগদৌরিবনি। ইম্ফালদগী ম্যান্মার ফাওরগা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়া লাউস অমসুং থাইলেন্দনচিংবা য়ৌখিগদৌরিবনি। ষ্টেট অসি য়াম্না মরুওইবা মফম অমা ওইরক্কদৌরি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনসু নোর্থইষ্টকী চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎলক্লি। মণিপুর চাউখৎতনা ইন্দিয়া চাউখৎলে হায়বা য়ারোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট কে ভবানন্দনা হায়খি, অথৌবশিংবু ঈকায় খুম্নবা উত্নুনা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। বি জে পি মণিপুরনা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা বি জে পিগী মণিপুর ইন-চার্জ ওইরিবা এম পি প্রহ্লাদ সিংহ পতেল, এক্স-মিনিষ্টর এন মঙ্গী, এক্স-দি জি পি ৱাই জয়কুমার, রিটয়ার্দ আই এ এস পি শরত, ভারতিয়া জনতা য়ুব মোর্চা মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট সোমোর্জিৎ অমদি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী থৌপুবা কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী হৌরকপদা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট এক্সটর্নেল এফ্যেয়র্স ভী কে সিংহনা লূচিংদুনা লৈখিদ্রবা এম কোইরেং,... মখা লামায় ৩ কলম ৪




HL-B/3245/6/08-5/09